# ইস্তানবুলগী অতাটুর্ক এয়রপোর্টতা নোংমৈ অমসুং বোম্না এটেক তৌখ্রে, মীওই ৪১ শিখ্রে, ২৩০ শোকখ্রে

ইস্তানবুল, জুন ২৯ (এজেন্সী) ঃ

টর্কিগী কেপিটেল ইস্তানবুলগী অতাটুর্ক ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা নোংমৈ অমসুং বোমগী এটেক চথদুনা মীওই ৪১ হাৎখ্রে অমসুং অতৈ ২৩০ হেন্না অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি। শিরিবশিং অদুগী মনুংদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩দি ফোরন্নরশিংনি হায়রি।

লৈবাকপোকপগী অথেংবদা এটেক্কর অহুম টেক্সি অমদা তোংলগা এরয়পোর্টতা থুংলখি অমসুং মখোয়না টর্মিনেলগী চঙফমদা নোংমৈ কাপ্পা হৌখি। পুলিসনা হন্দুনা কাপ্লকপা মতমদা মখোয়না মশাদা য়াওরিবা এক্সপ্লোসিবশিং পোকখায়হঞ্জদুনা বোম্মিং এটেক চথখি।


প্রাইম মিনিষ্টর বিনালি য়িলদিরিমনা অঙনবগী খুদম চাংদমশিংনা ইস্লামিক ষ্টেটকী খুৎ চিংনবা য়াবগী ইঙ্গিৎ পী হায়না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক ফাওবদা কনাগুম্বা অমত্তনা এটেক অদুগা মরী লৈননা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রি হায়রি।

হন্দক টর্কিদা চথখিবা এটেকশিং আই এস আই এস (ইস্লামিক ষ্টেট) নৎত্রগা কর্দিশ সেপ্পরেটিষ্টশিংগা মরী লৈনখি। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী এটেক অসি নীংথিনা কোওর্দিনেট তৌরগা চথরকখিবা অচৌবা এটেক অমা মাল্লি হায়না বি বি সীগী পাউমী অমনা হায়খি।

অতাটুর্ক এয়রপোর্ট অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী এটেক চথরকপা য়াবা টার্গেট অমনি হায়না খন্নদুনা লাকখি হায়না বি বি সীগী টর্কি করেস্পোন্দেন্টনা ইস্তানবুলগী টর্মেকতা লৈবা প্লেন অমদগী পাউ পীরকখি।

টর্মিনেলগী চঙফমদুদা এক্সরে স্কেন্নর কয়া খিন্দুনা লৈ তৌইগুম্বসুং কারগী সিক্যুরিটি চেকশিংদি মপুং ফাদে হায়রি।

এয়রপোর্ট টর্মিনেলগী ইমেজশিংদা ফিনা কুপশিনবা অশিবা হকচাংশিংগা লোয়নননা বিল্ডিংদুদা গ্লাস অকায় অতোয়শিং অমসুং লগেজ কয়া চাইদুনা হৌবগী শক্তমশিং উৎখি।



টর্কিগী প্রসিদেন্ট রেসেপ টায়িপ ইর্দোগননা এটেক অদুনা লালহৌবা গ্রুপশিংগী মায়োক্তা মালেম্না চঙশিল্লিবা লাঞ্জংদা অনৌবা মায়ওন অমা পুরক্লগনি হায়খ্রে।

"ইস্তানবুলদা ঙসি পোকখায়খিবা বোমশিং অদু মালেমগী সিটি অমদা হেক্তা পোকখায়রম্বা য়াই" হায়না মহাক্না হায়খি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অতাটুর্ক এয়রপোর্টকী এটেক অদু খ্বাইদগী 'হঙ্গোইনিঙাই' ওই হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা অমেরিকানা টর্কিগীদমক্তা খোঙফম চেৎনা লেপলি হায়খ্রে। জর্মনিগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর থোমাস দি মাইজিনা এটেকশিং অদু পাংদবা অমসুং তমথিবগী থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী এটেক অদুগী মতুং পুং কয়ামুক লৈরগা ইস্তানবুলগী গভর্নরনা এটেক অদুদা মীওই ৪১ শিখ্রে অমসুং ২৩৯ শোকখ্রে হায়না কনফার্ম তৌখি। শিখিবশিংদুগী মনুংদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩দি মীরৈবাক মচাশিং নৎত্রগা দ্যুঅল নেসনেলিটিগী মীওইশিংনি। অশোকপশিংগী মনুংদা মীওই ১০৯দি হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।

ইরানিয়ন অমগা য়ুক্রেনিয়ন অমগা অশিবশিংগী মরক্তা য়াওরে হায়না কনফার্ম তৌখ্রে। এটেক্কুগা মরী লৈনবা রিপোর্টশিংদা খেন্নবা খরা লৈখি তৌইগুম্বসুং এটেক্করশিংদুনা এক্সরে মেছিনশিং খিল্লিবা টর্মিনেলগী চঙফমদা নোংমৈ কাপ্পা হৌখিবদগী মতুং তারকপদা পুলিসকা কাপ্প রকখিবনি হায়না থাজনরি। য়ামদ্রবদা এটেক্কর অনী বিল্ডিংদুদা চেনশিনখি হায়রি।

সোসল মিদিয়াদা থাদোকপা ফুটেজদা মীওই অমনা বিল্ডিং ফাওদুনা চৎপদা মনাক্তা লৈরিবা মীওইশিংনা কোইচেন চেনবগী শক্তম উবা ফংখি। পুলিসনা মঙোন্দা নোংমৈ কাপখি অমসুং সেকেন্দ ২০মুক লৈমায়দা লৈরম্লবা মতুংদা মহাক মথন্তা পোকখায়জখি। এটেক্কর অহুম্মক শিখি। এটেক অদুগী মতুংদা অশোক অপন থোক্লবশিংবু টেক্সিশিংদা হাপকৎতুনা হোস্পিটালদা পুখৎখি। থিবা খঙদ্রশিংগী ককঙাওনরবা মরী মতাশিংনা ভীক্টিম কয়ামরুম পুখৎলকপা লোকল হোস্পিটাল অমগী মপান্দা পুল্লগা লৈখি। মখোয় খরনা ঈ-পাউ ফংবা ৱাৎপদা খোইরাং খোইশাওনখি।

এটেক অদুগী মতুংদা এয়রপোর্ট অদুদা পাইরকপা অমসুং পাইখিগদবা ফ্লাইটশিং সস্পেন্দ তৌখি। য়ু এস ফেদরেল এভিয়েসন এদমিনিষ্ট্রেসননা অহানবদা য়ু এস অমসুং ইস্তানবুলগী মরক্তা লৈরিবা সার্বিস খুদিংমক লেপহনখি তৌইগুম্বসুং তুংদা অথিংবদু লৌথোকখি। ময়ুম পাংনা সাউথ অফ্রিকাদা পাইগদবা পোল রুজ কৌবা মীওই অমনা এটেক্করশিংগী মনুংদগী অমা মহাক্না উখি হায়না রোইটর্জদা ফোঙদোকখি।

"মহাক অমুবা ফিজোল ঙাক্তা শেৎখি। মহাক্কী মায়দা মায়খুম য়াওখিদে। ঐখোয়না কাউন্টর অমগী মরুমদা পাকথরগা লৈখি তৌইগুম্বসুং মহাক্না লেপখৎতুনা মহাকপু য়েংখি। থংনা থংননা বোম অনী পোকখায়খি। মতমদুদা মহাক নোংমৈ কাপ্পা লেপখিরমই।

"মহাক্না মমায়দু লৈথোক্লগা কোইয়েং য়েংখি অমসুং ঐখোয়না লৈরিবা মায়কৈ তম্না লাকখি। মহাক্না মহাক্কী জেকেট মনুংদা নোংমৈ পায়খি। কনাগুম্বনা মঙোন্দা অথিংবা পীরকপা য়াওব্রা হায়না মহাক্না পাখৎনা য়েংখি অমসুং মদুগী মতুংদা ইস্কেলেটরদা কুমথখি। ঐখোয়না নোংমৈ কাপ্পগী মখোল খরা তাখি অমসুং মদুগী মতুংদা অতোপ্পা বোম পোকখায়বগী মখোল তাখি।

চৈরকসিদা মখা তানা মালেমগী লূচিংবা কয়ানা এটেক অদুবু কন্দেম তৌখ্রে। মদু ৱাখল য়াওদবা টেররিজমগী থৌওংনি হায়রদুনা পাকিষ্টাননা অতাটুর্ক এয়রপোর্টকী টেরর এটেক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি।

ইস্তানবুলগী এয়রপোর্ট এটেক অদুবু কন্দেম তৌরদুনা য়ু এননা টেররিজম থেংনবদা মালেমগী লৈবাকশিংনা কোওপরেসন পীনবা হেনগৎনবা আপিল তৌখ্রে।

## অফঘানিষ্টানগী নঙ্গরহরদা আই এসকী মিলিটেন্ট ৪০ হেন্না হাৎখ্রে



কাবুল, জুন ২৯ (এজেন্সী) ঃ

অফঘানিষ্টানগী ইষ্টর্ন নঙ্গহর প্রোভিন্সতা চথখিবা মিলিটেন্টশিং তকথোকপগী ওপরেসনশিংদা আই এস আই এসকী মিলিটেন্ট ৪০ হেন্না হাৎখ্রে অমসুং অতৈ ৪৪ রোম অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স (এম ও দি)গী ষ্টেটমেন্ট অমনা ঙরাং হায়খি মদুদি, ওপরেসনশিং অদু নঙ্গরহরগী কোর্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা বান্দোক, জারা বান্দো, জজাল খোন্দি, সেপা খোন্দি, বহাদুর বাবা ভীলেজশিং অমসুং অকোয়বা এরিয়াশিংদা পাঙথোকখি।

ওপরেসনশিং অদুদা টেররিষ্টশিংগী লোৎফমশিং থুগাইখি অমসুং মফমশিং অদুদগী টেররিষ্ট খূদিংমক তকথোকপা ঙমখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি। ওপরেসনশিং অদুদা লোকল মীওইশিংদা শিবা শোকপনচিংবা অমত্তা থোকখিদে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা মখা তাখি।

মদুগী মমাঙদা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা ফোঙদোকখিবা অমদা টেরর গ্রুপ অদুনা ইরাই নুমিৎতা চথরকখিবা এটেক অমগী পাউখুম ওইনা পাঙথোকখিবা ওপরেসনশিংদা য়ামদ্রবদা আই এস আই এসকী মীওই ৩৭ হাৎখ্রে অমসুং অতৈ ৪০ রোম্না অশোক অপন নংখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

এটেক অদুগী মতুংদা অফঘান অমসুং য়ু এস ফোর্সশিংনা নঙ্গরহর প্রোভিন্সতা টেরর গ্রুপ অদুগী মথক্তা এটেক চথবা হেনগৎখিবনি।

## হিন্দু রিপোর্টর ১ তোঙানবা গ্লাসতা ঈশিং থকহনখ্রে

করাচি, জুন ২৯ (এজেন্সী) ঃ

পাকিষ্টানদা হিন্দু রিপোর্টর অমা মহাক্কী কোলিগশিংনা মহাক সেদ্যুল কাষ্টকীশিংদা চনবা মীওইনি হায়বা খঙলকখ্রবা মতুংদা মহাক্কী থবক মফমদুদা নমদুনা তোঙানবা গ্লাসতা ঈশিং থকহনখ্রে হায়রি।

সাহিব খান ওদ কৌবা মীওই অদু গভর্ণমেন্ট ন্যুজ এজেন্সী এসোসিয়েটেদ প্রেস ওফ পাকিষ্টান (এ পি পি)দা সিনিয়র রিপোর্টর অমা ওইনা থবক তৌবনি হায়রি।

মহাকপু তোঙানবা মীৎয়েংনা য়েংদুনা তাথি তাওইনা তৌরকখিবদু রাজ কুমার কৌবা মহাক্কী মচানুপা অমনা মহাক্কী ওফিসতা লাকখিবা অমসুং ওফিসতুদা লৈরিবা মীপুং খূদিংমক্না মহাকপু হিন্দুনি হায়না খঙলকপদগী হৌখিবনি হায়রি।

"ঐহাক্কী মিংদা *খান* হায়বা ৱাহৈসি য়াওবদগী ওফিসতা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্না ঐহাকপু অহানবদা মুস্লিম অমনি হায়না খন্নখি। থবক তৌমিন্নরিবা মীওই খরনা চিংনবা লৈবদগী ব্যুরো চীফনা ঐঙোন্দা ওফিসতুদা ঐহাক্কী ঈশিং থক্নবা গ্লাস অমা তোঙান্না শীজিন্ননবা খঙহল্লকখি" হায়না এক্সপ্রেস ত্রিব্যুননা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।





রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, রেম্মদন হৌখিবদগী ওদকী থবক্কী ইনভাইরনমেন্ট অদুক্কী মতিক ফীভম শোকচিল্লকখি মদুদি ইফতারগী মতমদা মহাকপু ময়ামগী ওইবা মান্নবা দাইনিং টেবলদা ফাওবা ফমহনখিদে। করিগুম্বা মহাক্না ওফিসতা চাবা পাম্লবদি মশাগী প্লেটশিং অমসুং গ্লাসশিং পুজরক্লবা মঙোন্দা মহাক্কী সিনিয়র কোলিগশিংনা হায়রকখি।

"ওফিসকীদমক্তা ঐহাক্না হৌজিক্তি তোঙানবা গ্লাস অমসুং প্লেট পুরক্লে" হায়না মহাক্না হায়খি। এসোসিয়েটেদ প্রেস ওফ পাকিষ্টানগী করাচি ব্যুরোগী চীফ পর্বেজ অশলমনা অদুম্না তোঙানবা গ্লাস, প্লেটনচিংবা পুরক্লবা হায়খি হায়বা ৱাফম য়াখিদে।

"মহাক লোক লাইহৌনা নাবদগী ঐখোয়না তোঙানবা গ্লাস অমা এরেঞ্জ তৌনবা সজেসন পীখিবনি" হায়না মহাক্না হায়খি। অশলমনা অমরোমদা ওদপু হায়দ্রাবাদতগী ট্রান্সফর তৌরকখিবা মতমদা মহাক্না সপ্পোর্ট পীখি হায়খি অমসুং তোঙানবা মীৎয়েংনা য়েংদুনা মহাকপু তাথি তাওইনা তৌখি হায়রিবদু প্রোপেগন্দানি হায়না ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, এ এ পিগী মেনেজিং দিরেক্টর মাসূদ মালিকনা হায়খ্রে মদুদি, ৱাফম অদুগী মতাংদা মখোয়না ইনক্বাইরি হৌখ্রে। লেবর রাইটশিংগীদমক্তা থবক তৌবা ওর্গনাইজেসন পাকিষ্টান ইন্সটিট্যুট ওফ লেবর ইদ্যুকেসন এন্দ রিছার্চনা কাঙলূপ নাইবা থৌওংদুগী মায়োক্তা ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর পর্বেজ রশিদতা চেরোল অমসু থাখ্রে হায়রি।

## *ঈ য়ু রেফরেন্দমগী মোসন দটচ পার্লিয়ামেন্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে*

হেগ, জুন ২৯ (এজেন্সী) ঃ

নেদরলেন্দসনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ঈ য়ু)গী মেম্বর ওইনা লৈবগী মতাংদা বৃটেনগুম্না রেফরেন্দম অমা পাঙথোক্লবা মেজোরিটিগী অয়াবা লৌনবা ওপোজিসন লিদর গীর্ট ৱাইল্ডর্সনা পুথোকখিবা মোসন অমা দটচকী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবসনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

"ঐহাক্না মসি মীপুং খূদিংমক্তা হায়রি-দটচসু রেফরেন্দম অমা পাঙথোকপদা মতিক চাই" হায়না ৱাইল্ডর্সনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হেগতা পার্লিয়ামেন্টদা পুথোকখিবা মহাক্কী মোসনবু শৌগৎলদুনা হায়খি।

"দটচ মীয়াম্বুসু নেদরলেন্দসনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদগী তোকপগী ৱাফম্বু শৌগৎতুনা নৎত্রগা ৱাফমশিগী মায়োক্তা অমসুং ঐখোয়গী নেসনল সোভরন্টি অমসুং নীংতম্ববু হিংগৎহনবগী ৱাফমদা ৱারেপ অমা লৌহনগদবনি" হায়না পার্টি ওফ ফ্রীদম (পি ভী ভী)গী লিদর গীর্টনা হায়খি।

নেদরলেন্দসনা ঈ য়ুদগী তোক্লবা রেফরেন্দমস অমা পাঙথোক্লবগী মোসন অদু অপুনবা এম পি ১৫০গী মনুংদা শুপ্পগী এম পি ১৪না শৌগৎখি। মোসন অদুবু শৌগৎখিবা এম পিশিং অদুগী মনুংদা ১২দি ৱাইল্ডর্সকী এন্তি-ঈ য়ু পার্টি ওইরিবা ফ্রীদম পি ভী ভীগী মেম্বরশিংনি অদুগা এম পি অনীনা পি ভী ভীদগী তোখায়না তাখিবশিংনি।



দটচকী ওইবা ঈ য়ুগী রেফরেন্দম অমা পাঙথোকপা হায়বসি পার্লিয়ামেন্টতা মেজোরিটিনা সপ্পোর্ট তৌরবা মতমদা নৎত্রগা প্রাইম মিনিষ্টরনা রেফরেন্দম পাঙথোক্লবা ওর্দর অমা থোক্লবা মতমদা ওইথোক্কনি হায়রি। দটচকী প্রাইম মিনিষ্টর মার্ক রুটিনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা মহাক রেফরেন্দম অমা পাঙথোকপগী মায়োক্তা অমসুং নেদরলেন্দসনা ঈ য়ুদগী তোকপগী মায়োক্তসু লৈ হায়খিবনি।

"মদুনা নেদরলেন্দসতা ঐখোয়না তং তাবগী ফীভমদা অমসুং ঐখোয়না নুংঙাই য়াইফনা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিল্লকপগী ফীভমদা অচৌবা ফত্তবা চৈথেং কয়া লাকহনগনি" হায়না রুটিনা বৃটেনগী ভোটকী রিজল্টশিংদা রিয়েক্ট তৌরদুনা হায়খিবনি। "ঐহাক মদুগী মায়োক্তা মপুং ফানা লেপ্পুনা লৈ। মদু দটচ মীয়ামগী অপাম্বা ওইরোই" হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

দটচ ন্যুজ সো ঈএনভাদাগনা জুন ২৫দা পাঙথোকখিবা পোল অমগী মতুং ইন্না দটচ মীয়ামগী চাদা ৫৪না নেদরলেন্দসনা ঈ য়ুগী শরুক অমা ওইনা মখা তানা লৈখিগদ্রা হায়বগী মতাংদা রেফরেন্দম অমা পাঙথোকপা পামই হায়না ফোঙদোকখি।

দটসকী লো মতুং ইন্না, নেদরলেন্দসকী সিটিজনশিংনা এদভাইজরি রেফরেন্দমদমক শরুক য়াবা য়াগনি অমসুং অসিগুম্বা রেফরেন্দম অদুদি হান্নবা য়াখ্রগা হৌজিক ফাওবা চৎনদ্রিবা লোশিং নৎত্রগা ত্রিটিশিংবু দিল তৌই। মসিমক হৌখিবা এপ্রিলদা দটচ মীয়ামগী মেজোরিটিনা য়ুক্রেন-য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন এসোসিএসনগী মায়োক্তা ভোট পীখিবা মতমদা থোকখি হায়রি।

## চাইনিজ ওথোরিটিনা চরা হেনবা থিংখিবগী মরম থিজিনবা চৎখ্রে

ইস্লামাবাদ, জুন ২৯ (এজেন্সী) ঃ

মুস্লিমশিংনা নম্মা লৈবা চাইনাগী সিঞ্জিয়াং প্রোভিন্সতা শেংলবা চাকহেন থা রেম্মদন মনুংদা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা চরা হেনবা থিংখিবগী মরম লেপথোক্লবা পাকিষ্টানগী মিনিষ্ট্রি ওফ রিলিজ্যাস এফ্যের্সকী দেলিগেসন অমা চাইনা পাংখ্রে হায়রি।

এক্সপ্রেস ত্রিব্যুননা মিনিষ্ট্রিগী ওফিসর অমা পল্লদুনা হায়খি মদুদি, বৈজিংনা ইস্লামাবাদতা সিঞ্জিয়াংদা দেলিগেসন অমা থারক্তুনা মরমশিং খঙদোক্লবা হৌনবী মতুং ইন্না হায়জখ্রে।

দেলিগেসন অদুদা দিরেক্টর জেনরেল (রিছার্চ) নূর ইস্লাম শাহ অমসুং ফাইসল মোস্ককী চীফ ক্লারিক জিয়াউর রেহমন য়াওরি। মখোয়না চরা হেনবা থিংখি হায়বা পাউদুগী মতাংদা চপ চাবা মরমশিং লেপথোক্কনি। মমাঙগী রিপোর্টশিংদা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা মুস্লিমশিংনা মশীং হেন্না লৈবা লমদম অদুদা সিবিল সর্ভেন্টশিং, মহৈরোয়শিং অমসুং অঙাংশিংদা মহৌশাগুম্না অথিংবা থম্বগা লোয়নননা রেম্মদন হৌখি হায়না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা রিপোর্টশিং অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি খুদক্তা রিজেক্ট তৌখি।

রিপোর্টশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা চাইনিজ ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি, লৈবাক্তুগী কন্সটিট্যুসন্না মীয়ামদা লাইনিং লাইশোনগী নীংতম্বা পীরি। চাইনাগী অপুনবা মুস্লিম মশীংসি মিলিয়ন ২০নি অমসুং ফার ৱেষ্টর্ন রিজন সিঞ্জিয়াংদা উইখুর মুস্লিম মিলিয়ন ১০ লৈ।



HL-B/3146/18/05-17/06

# EMPLOYMENT NEWS

**BSF RECRUITMENT – 12 SUB INSPECTOR (WORKS) VACANCY – LAST DATE 30 DAYS FROM THE DATE OF PUBLICATION IN EMPLOYMENT NEWS**

Border Security Force (BSF) invites application for the post of 12 Sub Inspector (Works), Group 'B', Non-Gazetted' Non- Ministerial, Engineering (Civil) in the Border Security Force. Apply before 30 days from the date of Publication.

**Job Details :**
**Post Name :** Sub Inspector (Works)
**No. of Vacancy :** 12 Posts
**Pay Scale :** Rs. 9300-34800/-
**Grade Pay :** Rs. 4200/-
**Eligibility Criteria for BSF Recruitment :**
**Educational Qualification :** Pass three years Diploma in Civil Engineering from an Institute recognized by thc Central Government or State Govemment.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 30 years (as on 15.07.2016)
**Age Relaxation :**
**For ST Candidates :** 5 years
**For Ex-Servicemen Candidates :** 3 years
**Job Location :** All India
**Selection Process :** Selection will be made on Written Examination, Documentation, Physical Standard Test (PST), Physical Efficiency Test (PET), Practical Test & Medical Examination.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 50/- through Demand Draft / Indian Postal Order in favour of respective addresses. ST/ BSF Candidates/ Ex-serviceman/ women are exempted from the payment of fee.
**How to Apply BSF Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with Self-attested copies of relevant documents, two self-addressed envelopes of size 25 x 12 cms with Rs. 40/- Postage stamps affixed on each & DD/IPO send to the respective addresses as given official notification on or before 30 days from the date of publication in Employment News.
**Important Dates to Remember :**
**Date of Publication :** 21.06.2016
**Last Date for Submission of Application :** 30 days from the date of publication in Employment News
**Important Links :**
**Detail Advertisement & Application form Link :** http://bsf.nic.in/doc/recruitment/r3.pdf

**BSF RECRUITMENT – 05 HEAD CONSTABLE VACANCY – LAST DATE 30 DAYS FROM THE DATE OF PUBLICATION IN EMPLOYMENT NEWS 2016**

Border Security Force (BSF) invites application for the post of 05 Head Constable. Apply before 30 days from the date of Publication.

**Job Details :**
**Post Name :** Head Constable (Pioneer)
**No. of Vacancy :** 02 Posts
**Pay Scale :** Rs. 5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs. 2400/-
**Post Name :** Head Constable (Carpenter/ Mason)
**No. of Vacancy :** 01 Post
**Pay Scale :** Rs. 5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs. 2400/-
**Post Name :** Head Constable (Fitter Blacksmith)
**No. of Vacancy :** 02 Posts
**Pay Scale :** Rs. 5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs. 2400/-
**Eligibility Criteria for BSF Recruitment :**
**Educational Qualification :** Matriculation pass or its equivalents with industrial training Institute (ITI) certificate in the trade of Mason / Carpenter/ Plumber/ Electrician / Blacksmith/ Welder/ Painter /Polisher/ Mechanist/ Fetter or three years experience in the respective trade from reputed firm.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 18 to 25 years (as on 15.07.2016)
**Age Relaxation :**
**For ST Candidates :** 5 years
**For Ex-Servicemen Candidates :** 3 years
**Job Location :** All India
**Selection Process :** Selection will be made on Written Examination, Documentation, Physical Standard Test (PST), Physical Efficiency Test (PET), Practical Test & Medical Examination.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 50/- through Demand Draft / Indian Postal Order in favour of respective addresses. ST/ BSF Candidates/ Ex-serviceman/ women are exempted from the payment of fee.
**How to Apply BSF Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with Self-attested copies of relevant documents, two self-addressed envelopes of size 25 x 12 cms with Rs. 40/- Postage stamps affixed on each & DD/IPO send to the respective addresses as given notification on or before 30 days from the date of publication in Employment News.
**Important Dates to Remember :**
**Date of Publicaton :** 16.06.2016
**Last Date for Submission of Application :** 30 days from the date of publication in Employment News
**Important Links :**
**Detail Advertisement & Application form Link :** http://bsf.nic.in/doc/recruitment/r146.pdf

**BSF RECRUITMENT – 622 ASSISTANT SUB INSPECTOR (RM) & HEAD CONSTABLE (RADIO OPERATOR) VACANCIES – LAST DATE 15 JULY 2016**

Border Security Force (BSF) invites application for the post of 622 Assistant Sub Inspector (RM) & Head Constable (Radio Operator). Apply Online before 15 July 2016.

**Job Details :**
**Post Name :** Assistant Sub Inspector (ASI) (RM)
**No. of Vacancy :** 152 Posts
**Pay Scale :** Rs. 5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs. 2800/-
**Post Name :** Head Constable (Radio Operator)
**No. of Vacancy :** 470 Posts
**Pay Scale :** Rs. 5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs.2800/-
**Eligibility Criteria for BSF Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Assistant Sub Inspector :** Candidates should possess Matric with 3 year Diploma in Radio & TV Technology/ Electronics/ Telecommunication/ Computer/ Electrical/ Mechanical Engineering/ Domestic Appliances from any institution recognized by the Central Government/ State Government.
**For Head Constable :** Matriculation/ equivalent & 2 year Industrial Training Institute Certificate in Radio & TV/ Electronics/ Intermediate/ I0+2/ equivalent with physics, Chemistry & Mathematics from a recognized Board or Institution.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** As on 15.07.2016
**For General :** 18 to 25 years
**For OBC :** 18 to 28 years
**For SC/ST :** 18 to 30 years
**Job Location :** All India
**Selection Process :** Candidates will be Selected Based on two Phases Written Examination (OMR Based Screening Test), Descriptive Test Preliminary screening & Physical Efficiency Test.
**Application Fee :** General & OBC Candidates have to pay Rs. 50/- through demand Draft in favour of Inspector General/ DIG/ Comdt payable at respective SBI/ post office. No fee for SC/ ST/ BSF serving personnel & female candidates.
**How to Apply BSF Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through the website www.bsf.nic.in from 16.06.2016 to 15.07.2016. & send one print out of online application form along with original bank draft to recruitment centers by superscribing the envelope containing application in bold letters with "Application For The Post of ASI/RM or HC(RO)" within 15 days from last date of online application form.
**Important Dates to Remember :**
**Starting Date for Submission of Online Application :** 16.06.2016
**Last Date for Submission of Online Application :** 15.07.2016
**Date for OMR Based Screening Test :** 25.09.2016
**Date for Descriptive Written Test :** 18.12.2016
**Date for PST, PET, Documentation & Final Medical :** 20.03.2017
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://bsf.nic.in/doc/recruitment/r145.pdf